# এম এন সী এ ইলিট ট্রোফিঃ ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং রেইজ নাগামপাল মায় পাকখ্রে





**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা ত্রি শংদা চত্থরিবা ১০ রক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহলাদা অমসুং দব্লিয়ু রমানন্দ মেমোরিএল ইলিট ট্রোফি ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং রেইজ নাগামপাল মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা মোদেল হায়র সেকেন্দরি এন্দ ওরিএন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং ক্রাও খম্নাম বজারগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই দব্লিয়ু সীনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। ৱাই দব্লিয়ু সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা সেরাম রোবিন্সন অমসুং জিকো সোরোখাইবমনা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবা রোবিন্সননা বোল ১৮ মায়োক্লবদা রন ৯ খক্তমক লৌরম্লবসু অতোপ্পা ওপন্নর বেটসমেন জিকোনা হৈনা শিংনা শান্নদুনা বোল ৬৭ মায়োক্লবদা রন ৫০ লৌরগা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন বিক্রমজিৎনা বোল ৫১ মায়োক্লবদা রন ৩৭ অদুগা য়েঙ্সেনবম ভিবেকনা বোল ১৬ মায়োক্লবদা রন ৩০ লৌরমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ৩৯.৫তা ৱাই দব্লিয়ু সীগী ওল আউট ওইরগা রন ২১১ লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, ক্রাওনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখিবা রোবিন্সন শৌগাইজম অমদি লমাবম জোতিননা হৈনা শিংনা শান্নখি। রোবিন্সননা বোল ১১০ মায়োক্লবদা রন ৯৫ অদুগা জোতিননা বোল ৩৪ মায়োক্লবদা রন ৪১ লৌরমখি। মখোয়গী মতুংদা থোরকখিবা জোনিনা বোল ৪০ মায়োক্লবদা রন ৩৩ লৌরম্লবসু লেমহৌরিবা বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোল্লরশিংগী এটেক মায়োক য়াবা ঙমখিদবদগী ওভর ৩৮.১দা ওল আউট ওইরগা রন ১৮৪ খক লৌবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ৱাই দব্লিয়ু সীনা রন ২৭তা মায় পাকখি।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা কে সী সী কোংবা বজার অমসুং রেইজ খ্বাই নাগামপাল লমাবম লৈকোয়গী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস রেইজনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌদুনা শান্নখিবদগী কে সী সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। কে সী সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৩১.১দা ওল আউট ওইরগা রন ৯০ লৌবা ঙমখি। অদুগা রেইজনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ১৩.২দা ৱিকেট ৩ তুরগা টার্গেট রন ৯১ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু রেইজনা ৱিকেট ৭তা মায় পাকখি।

# টি ক্যু সী ট্রোফিঃ কে সী এ অমসুং অথোকপম লিজেন্দ মায় পাকখ্রে

**থৌবাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএন এস):** তেন্থা হৈবুং ত্রানক্বিলিটি ক্লব, তেন্থানা শীন্দুনা টিম ১৬না কাঙলুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা থা অসিগী ৮দগী টি ক্যু সী গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা ৩ লক শুবা টি ক্যু সী ট্রোফি ২০২৬ লেট ইরুংবম বিরলাল মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ওপন টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা কে সী এ খাঙবোক অমসুং অথোকপম লিজেন্দ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কে সী এ খাঙবোকনা থম্বালনু ক্রিকেট য়াইরিপোকপু রন ৫৯দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অসিদা কে সী এ খাঙবোকনা অপীবা ওভর ১৫দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৫৪ লৌবা ঙমখি। অদুগা থম্বালনু ক্রিকেটনা অপীবা ওভর ১৫দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৯৫ খক্তমক লৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি অনীশুবা মেটচতা অথোকপম লিজেন্দ অমসুং তেন্থা ব্রদর্স লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা অথোকপম লিজেন্দনা য়াম্না লাকচনা রন ১০২দা মায় পাকপা ঙমখি।

# ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টঃ ৱাই পি ঐচ য়ু-দব্লিয়ু অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে





**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন (এম ভি সী এ)না শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১৩ রক শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা ৱাই পি ঐচ য়ু-দব্লিয়ু লল্লাম্বুং অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অয়ুক ৱাই পি য়ু -দব্লিয়ু অমসুং এন সী এ নম্বোলগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী টোস এন সী এনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। এন সী এনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা রোবার্ট অমসুং এন্থোনিনা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবা রোবার্টনা বোল ২০ মায়োক্লবদা রন ১০ অদুগা এন্থোনিনা বোল ১৪ মায়োক্লবদা রন ৬ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন অজিৎনা বোল ৩৭ মায়োক্লবদা রন ৪৬ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবা হোৎনরবসু লেমহৌরিবা বেটসমেনশিংনা রন ফজনা লৌবা ঙমখিদবদগী অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৯৯ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা, ৱাই পি ঐচ য়ু-দব্লিয়ুনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা হেমন্ত অমসুং বোইচানা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপন্নর বেটসমেন ওইখিবা হেমন্তনা বোল ১৩ মায়োক্লবদা রন ২২ অদুগা বোইচানা বোল ৩৬ মায়োক্লবদা রন ৩৬ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। বেটসমেন হেরোমেননসু বোল ২৩ মায়োক্লবদা রন ২২ লৌদুনা রন মশিং য়ামহনবদা মখা তানা মতেং পাংবা ঙমখিবগা লোয়ননা ওভর ১২.১দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ১০১ লৌদুনা মেটচ অদু ৱাই পি ঐচ য়ু-দব্লিয়ুনা ৱিকেট ৮দা মায় পাকপা ঙমখি।

অমরোমদা, ২৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল ৱাই পি ঐচ য়ু-এন লল্লাম্বুং অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী টোস সাইক্লোননা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। সাইক্লোননা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা শ্যামসুন্দর অমসুং চীংলেনসনানা ওপন্নর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপন্নর বেটসমেন চীংলেনসনানা বোল ৩ মায়োক্লবদা রন ১ খক্তমক লৌরম্লগা আউট ওইখি। অদুগা শ্যামসুন্দরনা বোল ১৬ মায়োক্লবদা রন ১৪ লৌরমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন সুরজিৎনা বোল ৬৩ মায়োক্লবদা রন ৬৪ অদুগা রোবিন্দ্রোনা বোল ৩১ মায়োক্লবদা রন ৩৩ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহনবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১২৩ লৌবা ঙমখি। অদুগা ৱাই পি ঐচ য়ু-এননা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১১২ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা রন ১১দা মায় পাকখি।



## VEHICLES LOAN / PENSION LOAN / EMPLOYMENT NEWS

- # 2/3/4 Wheeler Loan and Used Car ফংবীগনি।
- # State/ Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা পীজরি।
- # Employment News : Office Asst. (Graduate + upto 32 yrs), 2 Wheeler Mechanic, Mechanic Helper, Car Wash Helper, Chicken Centre Helper 2/2, Tyre Fitting Helper অমসুং চেক্কী Mistry, Jugali পামজৈ।
- # 2 Wheeler used vehicles exchangeসু ফংবীগনি।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : # 9362775475 / #8414081916

HL-B/11160/7 to 23 Alt


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1741**

**WIM Diajeng Theresa Singgih (2089) - WIM Kalyani Sirin (2186)**
**44th Tamil Nadu IM 2026 Chennai IND, 2026.01.10**

1.e4 c5 2.Nf3 d6 3.c3 Nf6 4.h3 Nc6 5.Bd3 e5 6.O-O g5 7.Be2 g4 8.hxg4 Bxg4 9.Ng5 Bxe2 10.Qxe2 Rg8 11.Nh3 Qd7 12.Kh1 Bh6 13.Na3 O-O-O 14.d3 Rg6 15.Bxh6 Rxh6 16.Qe3 Rg6 17.Qf3 Rdg8 18.Rg1 Rh6 19.Nc4 Nh5 20.Ne3 Ne7 21.Qxf7...

**QUESTION :** Black to checkmate

**Puzzle 1740 Solution :**

**29. Nh6+** *Opening the line from c3 to h8.* **gxh6**
*29...Kh8 30.Nxg4*
**30. Ne7#** *Dragonfly mate*
**1-0**


AI IMPACT SUMMIT
भारत 2026 INDIA
सर्वजन हिताय | सर्वजन सुखाय
WELFARE FOR ALL | HAPPINESS OF ALL
ফেব্রুৱারী ১৬-২০, ২০২৬।ন্যু দেল্লি, ইন্দিয়া

থবক্তগী কান্নবা রোমদা ভারতকী এ আই লিপ
ইন্দিয়া এ আই ইমপেক্ট সম্মিট ২০২৬
হৌদোক্কনি
নরেন্দ্র মোদি
প্রাইম মিনিষ্টর
ফেব্রুৱারী ১৯, ২০২৬। মতম:অয়ুক পুং ৯:৪০। ভারত মান্দপাম, ন্যু দেল্লি, ইন্দিয়া



মীৎয়েংদগী কান্নবরোমদা

২০
লৈঙাকশিংগী লুচিংবশিং

৫০
মিনিস্ট্রিএল লেভেলগী মীহুৎশিং

১১৮
লৈবাকশিং লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা লোয়ননা

১০০+
মালেমগী এ আই লুচিংবশিং, সী ঈ ওএস অমসুং সী এক্স ওএস

৫০০
লিদিং এ আই এক্সপার্টশিং মালেমগী অকোয়বদগী

৫০০+
সম্মিট মনুংদা অমসুং পাঙথোক্কদৌরিবা সাইদ ইভেন্টশিং

৩০০,০০০+
সম্মিটতা রেজিষ্ট্রেসন তৌরকখিবা

৫৫০
লৈবাক ৩০দা পাঙথোকখিবা প্রি-সম্মিট ইভেন্টশিং

মালেমগী অফবগীদমক এ আইগী খোঙচৎ

- ইন্দিয়াদা অটমানির্ভর ভারত এ আই সোল্যুসনশিং লিংবা, ইন্দিয়াগী অমসুং মালেমগী, মালেমদা কান্নবা ফংহনবা
- মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক হেল্‌ঠ ক্যের, এগ্রিকলচর, এদ্যুকেসন অমসুং গভর্নান্সতা এ আইনা মতেং ওইহনবা
- ইন্দিয়াগী খোঞ্জেলগা লোয়ননা মালেমগী এ আই ষ্টেন্দার্দ অমসুং ফ্রেমৱার্কশিং শেম্বা, গ্লোবেল সাউথকী মথৌতাবশিং অদু উহনবা
- গ্লোবেল দিসকোর্জ ওন রেসপোন্সিবল এন্দ ইনক্লুসিব এ আইদা এ আইগী খোঞ্জেল ককথৎহনবা
- ইন্দিয়াগী ভেলুশিং, ভিজন অমসুং স্কেলগা লোয়ননা গ্লোবেল এ আই দাইলোগশিং লুচিংবা

রেজিষ্টারগীদমক স্কেন তৌ
CBC 06124/13/0002/2526
লাইভ ইভেন্ট য়েংউ


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com